# ফৌগী লৌফমদা নাপী হীদাক্না পীরিবা চৈথেং

ডা. ৱাইখোম জিতেন

ফৌ থাবা লৌফমদা ফৌগী পোৎথোক হন্থহন্নবগী তোঙান তোঙানবা মরমশিংগী মনুং নাপীসু অমনি। লিংনবগীদমক নীংথিনা শেম শারবা লৌফমগী ফৌথোক চাদা ১৫-২০ ফাওবগী চাংদা নাপীনা হন্থহনবা ঙমই। অদুগা পাম্ফেল লৌফমগী ওইনা চাদা ৩০-৩৫ ফাওবগী চাং নাপীনা হন্থহনবা ঙমই। য়াম্না তোঙবা পাম্ফেল হুনবা লৌফমশিংগীদমক্তি ফৌগী পোখোক চাদা ৫০গী মথক্তা নাপীনা মাঙহনবা ঙমই। মরম অদুনা ফৌগী লৌফমদা নাপী হৌহন্দবা হায়বসি লৌমীশিংগীদি তৌদ্রবা য়াদ্রবা থবক অমনি। নাপীশিং হৌহন্দনবগীদমক পায়খৎপা য়াবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিংদি (১) খূৎনা পেংথোকপা/লৌথোকপা (২) খূৎলায়শিং শীজিন্নদুনা নাপীশিং মাঙহনবা (৩) নাপী হীদাক শীজিন্নবা (৪) পারপ্পা চাংদা ঈশিং লেপ্তুনা থম্বনচিংবনি। মীনা/খূৎনা নাপী লৌথোকপগী থবক অসি লৌমী অদুগী ইমুং মনুংগী মীওই অয়াম্বা মশা মশাগী থবক লৈনবনা মরম ওইদুনা খুলং নেক্তবা য়ারক্তে। অমরোমদনা অমুক খুলংগী মমল অসি কা হেন্না ৱাংবনা মরম ওইদুনা লৌমীশিংনা অতোপ্পা পান্থে য়েংদবা য়ারক্তে। মথংদা খূৎলায় শীজিন্নদুনা নাপীশিং লৌথোক্কে হায়রবদি ফৌ পান্বীশিং অদু পরেংদা থাবা নৎত্রগা পরেংদা হুন্দুনা পরেং পরেং হৌহন্দবা য়াদে। মরম অদুনা অয়াম্বা লৌমীগী লৌফমশিংদা খূৎলায় শীজিন্নদুনা নাপী মাঙহনবগী থবক অসি পাঙথোক্লবগী পান্থে লৈতে। অমরোমদা অমুক কুমগী নোংদা তাংদুনা লৌউবা ঐখোয়গুম্বগী লৌফমশিংদা নাপী মাঙহন্নবগীদমক অকক্লবা চাং অমদা ঈশিং থম্নবগী পান্থে লৈতে। মরম অদুনা শেল ইচং চংদনা অরায়বা পান্থেনা নাপী মাঙহন্নবগীদমক নাপী হীদাকশিং পাক শন্না শীজিন্নরক্লি। অসুম্না নাপী হীদাকশিং শীজিন্নবদা কাঙলোন চুম্না শীজিন্নদবনা মরম ওইদুনা অকোয়বগী খলদা চাওনা শীংনবা অমা ওইরক্লি।

নাপী হীদাক কাঙলোন লান্না শীজিন্নবনা লৈবাক্তা লৈরিবা মীৎনা উবা ঙম্বা/ঙমদবা অহিংবা জীবশিংদা অচৌবা চৈথেং পীদুনা লৈহাও লৈতবা লৌফম ওইহল্লক্কনি। মসিদা নত্তনা ঈশিংগী ঈচেলশিংদা য়াওখিদুনা ঈশিংদা লৈবা জীবশিংনা হিংবদসু খুদোংচাদবা মায়াক্লহল্লি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা কাঙলোন লান্না নাপী হীদাকশিং শীজিন্নবনা ফৌগী পোৎথোক হন্থহন্নবা মরম অমা ওইরকই অমদি নাপী হীদাক্কী লেমহৌখাকশিং তোঙান তোঙানবা মরম্না মীওইবগী হকচাং য়ৌরকহন্দুনা মীওইবদা হকচাং শোকনীংঙাই ওইরকই।

লৌমীশিংনা নাপী হীদাক শীজিন্নবদা চত্থবা অরানবা থৌওংশিং :- ১) মখল খঙনা শীজিন্নদবা : ফৌ থাবদা শীজিন্নবা নাপী হীদাক মখল অসি অনীনি। (ক) নাপী মরূ পোকখাইদ্রিঙৈদা শীজিন্নগদবা খুদম ওইনা - Pyrazosuffuron ethyl (Saathi, Chempa, Laathi), Butachlore (Data Chlor 50/60% EC, Machet Punch 5%), Pretila Chlor (Cleaner, Rifit Plus, Belete, Eros) (খ) নাপী হৌরবা মতুংদা শীজিন্নগদবা হীদাকশিং খুদম ওইনা 24 D (Champion, Weednash), Metsulfuron methyl 10%+ Chlorimuron ethyl 10% (Almix, Mahamix), Penoxsulam (Granite), Bispyrebae (Macho), Cyhalofopbuty 10% EC (Clincher) মখল অনী অসি মতম খঙদনা ওন্নখিবদা নাপী হীদাক তোয়না কাপহন্নবগী মরম ওই।

(২) চাইবগী চাং অমসুং মওং চুমদবা : লৌমী অয়াম্বনা তোঙান তোঙানবা নাপী হীদাক মখল অয়াম্বা করম্বা মওংদা শীজিন্নরগা নাপী মাঙহনগদগে হায়বগী লৌশিং লৈবা ৱাৎলি। মওং চুমদনা শীজিন্নবনা মরম ওইদুনা নাপী হাৎনবা হোৎনবদা অহেনবা নাপী হীদাক চঙই। অসুম তৌবনা অকোয়বগী খল লোয়ননা লৈবাক লৈশা মাঙহল্লি। খুদম ওইনা পঞ্জরবদা Saathi হায়রিবা নাপী হীদাক অসি পাম্ফেল হুল্লমদাই নৎত্রগা লিংলমদাইগী অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঙৈদা হার নৎত্রগা লৈঙোইগা তোৎলগা চাই। অসুম তৌবসিনা অরেম্বদা নাপী হীদাক ময়াম অমা লৈনুংদা ফুমখিগদবনা মরম ওইদুনা গ্রাম ৪০না য়াগদবদু গ্রাম ৮০-১০০ ফাওবা শীজিন্নে। অহেনবা লৌফমদা লৈখ্রিবা নাপী হীদাকশিং অসিনা তুংদা ঐখোয়দা শীংনরক্কনি হায়বসি ঐখোয় খুদিংনা খঙবীগদবনি।

(৩) মতম চাদনা নাপী হীদাক শীজিন্নবা : নাপী হীদাকশিং অসি য়াম্না ঙন্না ফৌ পীক্লিঙৈদা শীজিন্নরবদি ফৌ পান্বীদসু মশা শোক্তুনা চাওদম থিলহল্লি, ফৌথোক হন্থহল্লি। অমরোমদা অমুক য়াম্না থেংনা নাপী মপূং ফাখ্রবা মতুংদা চাইরবদি নাপীসু হাৎপা ঙমদে অদুগা নাপী হীদাক্না অকোয়বগী খলদা শোকহনবদুদি অদুম শোকহন্দুনা ফৌথোক হন্থহল্লি। ঈশিং য়াওনা নৈদুনা থমগদৌরবা লৌফমশিংদা নৈদ্রিঙৈগী মমাঙদা নাপী হীদাক কাপ্পা য়াওই। মসিগী কান্নবা করিসু লৈতে, তৌবীরোইদবনি। লিংগদবা লৌফমদা লিংগদবা মতম য়াম্না ৱাৎলিঙৈদগী উকায় নমশিল্লগা থম্বা লৌফমদা ফৌ লিংদ্রিঙৈদা নাপী মরূ পোকখাইদ্রিঙৈদা শীজিন্নগদবা হীদাকশিং কাপশিল্লগা থল্লবা মতুংদা লৌ লিংবগী মী ময়াম্না লৌফমদা অমুক চঙলবদি নাপী হীদাক কাপখিবগী কান্নবা থোইনা লৈররোই। মরম অদুনা নাপী মরূ পোকখায়দ্রিঙৈদা কাপকদবা হীদাকশিং শীজিন্নবীগে হায়রবদি ফৌ হুনখ্রবা মতুং নৎত্রগা লিংখ্রবা মতুংদা কাপ্পীবনা খ্বাইদগী ফৈ।

কনাগুম্বা লৌমীশিংনা পম্প তৌরগা নাপী মনাদা পান্নবা কাপকদবা নাপী হীদাক খুদম ওইনা চেম্পিয়নগুম্ববু হার নৎত্রগা লৈঙোইগা তোৎশিল্লগা লৈমায়দা চাইবা য়াওই। থৌওং অসিনা ঐখোয়না পাল্লিবা পান্দম অদুসু য়ৌনা ফংলোই অদুগা শীজিন্নরিবা হীদাকশিং অদুগী ফত্তবা ফলদি লৌফম অদুনা ফংহৌই।

অমরোমদা অমুক লৌফম অদুদা হৌরিবা নাপী মখল অদু খঙনা নাপী হীদাক শীজিন্নবগী হৈনবী ঐখোয়গী লৌমীশিংদা লৈবা ৱাৎলি। উরিচাক ফৌমানবীনা মপূং ওইনা হৌবা লৌফমগীদমক Clincher নৎত্রগা Whip Super শীজিন্নবীবা য়াই। মনা পাকপা মখলগী নাপীনা মপূং ওইরবদি Champion নৎত্রগা Weednash শীজিন্নবীবা য়াই অদুগা কৌথুম, কাংখলশাবীনা মপূং ওইরবদি Basagran শীজিন্নবীবা য়াই।

ফৌগী পোখোক মতিক চানা ফংবা ঙম্নবা, লৌউবদা অহেনবা শেনফমসু য়াম্না চঙদনবা অদুগা অকোয়বগী খলদসু থোইনা কায়দনবা ফৌ থাবদা নাপী হীদাক শীজিন্নবীবা মতমদা করিগীদমক করম্বা নাপী হীদাক শীজিন্নবীগনি অমদি চাং কয়াদা, করম্বা মওংদা অমদি করম্বা মতমদা শীজিন্নবীগদগে হায়বা খঙনা নাপী হীদাক শীজিন্নবীয়ু। অসুম তৌরবদি নাপী হীদাক্না ঐখোয়গী লৌফমদা পীরিবা চৈথেং অসি খরা মখৈ ফহনবা ঙমগনি। ●

# পোলিটিক্স তৌবা হায়বসি কৈ তোংবগুম্বনি

## (কৈবু তোংলবদি কনাসু কিবা লৈত্রে, মহাক্না কৈদু তোংবা ঙল্লিবমখৈ ফৈ, করিগুম্বদা 'কৈদু তোংবা ঙমদদুনা কুমথরক্লবদি' কৈদুনা চাগদৌরিবনি)

সৌবাম বিরধ্বজ

"অরোইবা পান্থে ওইনা কম্ম্যুনিতি খুদিংমক্কী ষ্টেকহোল্ডরশিং, সী এস ওশিং, মৈরা পায়বীশিংগা ৱারী শাননবা চেবাউ পীরগনি" হায়না এন বিরেন ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরনা হায়খ্রে, মীফমসু পাঙথোকখ্রে।

খরনিগী মমাঙদসু মীয়াম্না উখ্রে,
অখন্নবা প্লেন থারক্তুনা
মিনিষ্টর মঙামক কৌশিনখি,
বিরেন, বিশ্বজিৎ, খেমচান্দ,
গোবিন্দাস, বসন্ত মখোয় মঙানি
মঙামক কেবিনেট মিনিষ্টর ঙাক্তনি,
নীনি-হুমনিগী তুংদা
লিশীং অনী চৎপী থিংলকখি,
অখন্নবা প্লেন থারকখিবদু
তপ্না-তপ্না চিংনরকখি।
হন্দক্না, খঙহৌদনা দেল্লীদা চঙখ্রগা
ঙাইহাক্কী তুংদা থোরকপনি
কয়াম লুবা প্রোগ্রাম লৈবগী
অখন্নবা প্লেন থারক্লিবনো!!
সী এম অরুবা তানফম মায়োক্লরি।
চীংগী শরুক্তা হোম মিনিষ্টরনা ঙাক্কনি
তম্পাক্তা নঙনা ঙাক্লুরো হায়না হায়রক্লে
অরোইবা পান্থে ওইনা - চেবাউ পীরগনি।
মীচম মীয়াম্না য়ানীংদবা ফোঙনরকই
ৱাহন্থোক লান্না হনবনি, সী এমনা হায়রি।

অসিগুম্বা অখন্নবা প্লেন থারকখিবগী মরম পূম্নমক্না খঙনদ্রবসু সী এমনদি খঙলম্লগনি, পোলিটিক্সতদি কুর্টনিতি তৌবা য়াম্না হৈগদৌবনি। পোলিটিক্স তৌবশিংনা তঙাইফদনা কুর্টনিতি হৈত্রবদি চন্নদে, মসি খঙদ্রবদি পোলিটিক্সকী কাঙলোন্দা 'লাইরিক হৈরগা লাইশু খঙদবা' কৌই। 'লাইশু' হায়বসি তঙাইফদনা হৈতবা য়াদবনি। অতোপ্পা ৱাহে অমরোমদা হায়রগনা "পোলিটিক্স তৌবা হায়বসি কৈ তোংবগুম্বনি" কৈবু তোংলবদি কনাবুসু কিবা লৈত্রে, মহাক্না কৈদু তোংবা ঙল্লিবমখৈ ফৈ, করিগুম্বা "কৈদু তোংবা ঙমদদুনা কুমথরক্লবদি কৈদুনা চাগদৌরিবনি"। মৈতৈশিংনা এস টি (সেদ্যুল্ড ত্রাইব) দিমান্দ তৌবগী মায়োক্তা অটসুম (ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুর) না শীন্দুনা সেনাপতি, উখ্রুল, কাংপোকপী, তমেংলোং, চুড়াচান্দপুর, চান্দেল, নোনে অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতা "কম নাও লেট অজ রিজন তুগেদর" হায়বা বেন্নরগী মখাদা ত্রাইবেল সোলিদরিটি মার্চ রেল্লি চৎপদা চুড়াচান্দপুর, মোরে অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা মতম ইকান কান্নদনা মৈতৈশিংগী য়ুম মৈ থাবা, থুগাইবা, নোংমৈ কাপশিনবা, ফূবা চৈবনচিংবা লান্দাবগী থৌওং লেপ্তুনা চত্থরকখিবনি। হংনরক্লিবা ৱাহংদি নাগানা নম্না তাবা লেমহৌরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা অসিগুম্বা কম্ম্যুনিতি টেররিজমগী নোংমৈ কাপ্পা, য়ূম মৈ থাবগী থৌদোক থোক্ত্রিবসিনা মৈতৈশিংনা এস টি দিমান্দ তৌবগা মরী লৈনফম থোক্তে হায়বসিনি।

সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন 'সু' দা লৈরিবা লালহৌবশিংনা গ্রাউন্দ রুলস থুগাইরিবা অসিগী মতাংদা হোম মিনিষ্টরনা মদুগী থৌদাং পূম্নমক লৌগনি অদুগা তম্পাক্কী শরুক্তনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা থৌদাং লৌগদৌবনি হায়রকখি হায়না সী এম মশামক্না পাউমীশিংনা হংলকপা পাউখুম পীখিবনি। সী এমগী পাউখুমদা মণিপুরগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ অনী লৈগদৌরিবরা হায়না চিংনবদগী হৌজিক হৌজিকমক্কী ওইনা মরু ওইনা তম্পাক্কী কাচিন কোয়া থুংনা পুল্লপ পুল্লপ পুনশিন্নদুনা হীরম অসিদা খন্ন-নৈনবা ৱারী শান্নরিবা ঙাক্তনি। মসিগুল্লবা তানফমসিদা নাগালেন্দগী দিষ্ট্রিক্ট ৬ পুনশিল্লগা 'ওটোনোমস টেরিটরি শেমগনি হায়রক্লে" হায়না হায়রিবসিনা অমুক্কসু হেন্না তম্পাক্কী মীয়াম্না মণিপুরদসু শোয়দনা ওইরকপা য়ারিবনি হায়না নিংদোন পোম্নরিবনি। অদুবু নাগালেন্দগী ওইনদি মীফমদু য়ৈথোকখ্রে। অসিগুল্লবা তানফমসিদা চীফ মিনিষ্টরনা "অরোইবা পান্থে ওইনা কম্ম্যুনিতি খুদিংমক্কী লুচিংবশিং, ষ্টেকহোল্ডরশিং, সী এস ওশিং চেবাউ পীদুনা ৱারী শান্নবা হৌরগনি" হায়না হায়রিবসিমক য়াম্না শাথীনা থেংলবসু থেংনা খ্বাইদগী ফরবা খোঙথাংনি (ৱারীসু শান্নখ্রে)। হৌজিক য়াম্না লুশিল্লক্লিবদি নোংমৈ কাপ্পবা লেপত্রিবসিনি, লমন খুম্নবগী লান্থেং লেপ্তুনা চত্থনরি। লোইজিং লোয়াদা লৈবা নীংবা কায়রবা (মফমদুগী লম্মিৎ-তুম্মিৎ খঙবা, খুঞ্জা ১৫০/২০০) মুক্তা কাপনগদৌবা নুমিৎ নীনি হুমনিগী মমাঙদগী য়াম্না চেকশিন্না ত্রেনিং পীরগা, খূৎলায় পায়বা খুন ঙাক্লিবশিংনা মমাঙ থানা চংশিল্লগা কুকিশিংগা থেংনবা। অশোক-অপন য়াওরকপশিংবু খূৎলৈ থুনা খুঞ্জাশিংনা কেজুএলিটি ত্রিটমেন্টগীদমক লানফমদগী থুনা য়াঙনা পুথোকপা, চান্নবা থক্লনবা ঈশিং, খূৎলায় অমসুং মরূ ৱাক্তনবা থৌরাংশিং পূম্নমক খুঞ্জাশিংদা ত্রেনিং পীখ্রবনি। অসুম্না লমখৈ ঙাক্লনবা অথেংবা অহিংদা তপ্না তপ্না চংশিল্লগা নোং ঙাল্লকপা তানফমদা অকনবা খূৎ থোক্লখিবগী লাঞ্জংনি হায়না মায়কৈ অদোমগী মীয়াম্না তপ্না তপ্না হায়নরক্লি। য়েন্নখাদা য়েক্লবগী ফিরাল (মখোয়গী ঙমখৈ ওইগদৌবা মতৌদা) য়ুংলক্লগা অয়ম্বা পাঙদবগুম অদুগুল্লবা ফিরালদু অদুমক য়েংদুনা লৈগদ্রা? অদুগুল্লবা হন্দক্কী লানফম খরদদি য়েক্লবা কুকি লান্মীশিং য়াম্না হেন্না শিরমগনি, অশোক-অপনশিং য়াম্না য়াওরমগনি হায়না হায়নরক্লি। লানফমশিংদা মৈতৈলোল খঙদবা শকখঙচে পায়দবা লুংগি শেৎপা ম্যান্মারগী কুকি রিফ্যুজি (টেররিষ্ট) শিং শিরল্লবদি মফম চাবদা অদুমক ফুমখ্রগা শকখঙচে, আধারনচিংবা পায়রবা কুকি মিলিটেন্টশিং শিরগনা ফোংনা পুথোরক্কনি, ফোটো অমসুং ভিদিও কাপ্লমগনি, লোয়ননা মশীং থিবগী থবক নীংথিনা মেন্টেন তৌরমগনি (লানগী টেক্টিকেল অমা ওইনা হায়দোক্তনা লৈরগা মতাং মতম চারবা মতমদা শোয়দনা খঙহল্লকখিগনি) হায়না থমজরি। চীফ মিনিষ্টরনা তম্পাক লমদম ঙাক্কেরা, ঙাক্লোইরা খল্লুবা য়াপোত্তে, ইপা-ইপুনা থল্লম্বা ঙমখৈ ঙাকপদা থৱায় কৎথোকপদি চঙনা শ্বর্গ কাবনি খন্দোকপা ঙম্বা থৌনা ফবা মীওইশিংনা পরেং লেংদুনা লৈরিবনি।

ইন্টলিজেন্সনা পীরকপা য়াম্না মরু ওইবা পাউ অমদগী ম্যান্মার ফাওরগা মশীং য়াল্লবা খূৎলায়শিং কুকি লালহৌবশিংদা য়ৌখ্রে হায়রিবসি ইন্দিয়াগী ইন্টলিজেন্স অসি অসুক্কী মতিক শোল্লে হায়বা তাক্লবনি নৎত্রগনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না খঙশিন্নদনা নাকোয়ননা কুকিশিংগী মতেং পাংলিবনি (মরমদি ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা ইন্দিয়াগী ঙমখৈ ঙাক্লিবনি)। অরিবা ঐখোয়গী পুয়া লাইরিক্তা 'নোংপোক থোঙ হাংলগনি" মতমদুদা অৱা-অনা, মীকপ-মীরাওখোলনা নিল্লগনি হায়নবদু হৌজিক্তা থোক্লরে। নোংপোক থোঙ 'লুক ইষ্ট পোলিসি' দি ইন্দিয়াগী ময়োন লৈঙাক্না হাংবনি, হাংলিবা থোঙ অসিদা ম্যান্মারগী মিলিটরি জুন্তানা তকথোক্লকপা ম্যান্মারদগী লাঞ্জেন্নরকপা রিফ্যুজিশিং ইন্দিয়া লৈঙাক্না চংজফম পীরুবনি (রিফ্যুজিশিংনা লৈননবা মণিপুর লৈঙাক্না লিংলিবা রিফ্যুজি কেম্পতা) লৈয়ু হায়বসি য়াদনা, তেংনৌপল অমসুং চান্দেলদা খুন্দা লৈতারি, লোয়ননা মখোয়গী হৈনখ্রবা, লাইচুখ্রবা পোপি থাবা, নম্বর ফোর শুংবনচিংবা লেপ্তুনা চত্থরক্তুনা' নার্কো-টেররিজম অমসুং দ্রগ ত্রাফিকেল' গী করবার অদুদগী ফংলকপা শেনয়ামশিং অদুগী পর্সেন্টেজ অদু ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং মণিপুর লৈঙাক্না মিকারুবদগী মথং মথং খঙনরকপগী পাউ এন দি টিভিনা শবাক ফাক্লকপগী পাউদম হান্ননা চেপাউ অসিদা তমজখ্রে। মণিপুরদা ক্রোর ক্রোরদা দ্রগ করবার তৌবগী ফাগৎলকপা কোঙ্গাই কোঙ্গাইনি, অঙম অথৌ কয়া অমা চেন্নরম্বগী ফাগৎলুবা, বেলদা থাদোকপগী পাউ হাপ্তা কাংদনা পাউচেশিংদগী লেপ্তুনা তাখ্রিবদুনি। হৌজিক্তি মণিপুর অসি দ্রগ ত্রাফিক্কিংগী অচৌবা ত্রাফিক রুট (গোল্ড ত্রেঙ্গল) গুম্বা অমা ওইরক্লে মদুদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা অফবা মখলগী খূৎশু খূৎলায় অঙকপা ফংনা লৈশিল্লকপগী চৈনা চৈথেংনা মণিপুরগী চীংখোঙ চীংয়া, লোইয়ালমগী মীচমশিংনা ফংলি। রিফ্যুজিগী মতৌগুম রিলিফ কেম্পতা ওন্না থোইনা খাঙলি। লোয়ননা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা অহোংবা লাক্কদৌবা মানবা ফীভমদা সুম সুম চঙশিল্লক্লি। থৌদৌসিদি মৈতে পাউরৌদা "য়েন্নখা লাল্লুম্বা-শাইজিন পাউ-তাবা" গী থৌদৌদা কুকিশিংনা ফিরাল মশীং খঙদনা য়ুংলক্লিবসি এরিয়া দোমিনেসন (ঙমখৈ মুন্নবগী) চপ চাবা থৌদৌনি। কৈদৌঙৈদসু খূৎলায়না য়ান্নবা পুরকপা য়ারোই। পোলিটিকেল্লি ৱারী শান্নরগা য়ান্নবা পুরক্কদৌবনি, মতমদুদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না হিষ্ট্রিকেলগী বেক গ্রাউন্দ য়েংলগা (চহী লিশীং অনী হেনবগী পুৱারী লৈরিবা কংলৈপাক) মণিপুরগী অশেংবা অচুম্বদা ৱায়েল চত্থননবা পুকচেল শেংনা ৱাখৈগদৌবনি। মণিপুরগী ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন কৈ তোংবা য়াম্না হৈরে, অতোপ্পা পোলিটিক্স তৌবশিংনা বিরেননা কৈ তোংবা ঙমদদুনা কৈদগী কুমথরকপা মতম ঙাইনরি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

# 'সিএমনা মৈরা পায়বীশিংগী মরক্তা নাকপাক তানবা দ্রামা শান্নবগী মহুত্তা নুপা থোক্না ইরাং লোইশিল্লু'



**ইম্ফাল, জুলাই ২ (ঐচএনএস):** কুকি লালহৌবশিংনা মীয়ামগী য়ুম মৈ থাবা, মীচম কয়াগী পুন্সি পীখম্নহন্দুনা থা অনী শুরক্লবা ফাওবদা ৱাথোক অসি ইন্দিয়া লৈঙাক য়াওদ্রবসু লোইশিনগেবু হায়রবদি মণিপুর লৈঙাক্ল া নহান্না লোইশিনবা য়ারবনি।

ইরাং অসিদা ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্না ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙমদবা হায়বসি মনুংদা অরোনবা খরদি লৈরে হায়বা মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম্লি হায়না থৌবাল নিঙোম্বম অপুনবা মৈরা পায়বী লূপকী সেক্রেটরি ইরোম সুবাসিনিনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি ঙরাং নুমিদাং থৌবাল নিঙোম্বম অপুনবা মৈরা পায়বী লূপনা শীন্দুনা ইরাং অসিদা লৈখিদ্রবা কংলৈচা অথৌবশিংগী ইকায় খুম্নবা উত্তুনা নিঙোম্বম সনা কৈথেলদা পাঙথোকখিবা মৈরা কৎপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

মশিং য়াল্লবা মৈরা পায়বীশিংনা থৌবালগী ময়াং ইম্ফাল রোদগী লম্বীগী নাক য়েৎতা লেপ্তুনা খূৎতা মৈরা পায়দুনা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়গী ইমুংগী ৱাথোকপু মণিপুর লৈঙাক্না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়াকা য়েংদুনা লৈরগদি লোইশিনবা ঙম্লোই। ৱাথোক অসিদা দিল্লিগী মী লাকপা ঙাইবা হায়বসি সিএম বিরেনন্না পাঙদবদগীনি হায়রদুনা সিএমনা নুপা থোক্না থবক তৌবীয়ু। ইরাং অসি লোইশিল্লু। মদু নত্তনা মীয়াম মাঙদা লীলা দ্রামা শান্নদুনা মৈরা পায়বীশিংগী মরক্তা নাকপাক তাহন্নবগী থৌওং য়েংনিংদে হায়খি।

সিএমনা রিজাইন তৌগে হায়রবসু দ্রামা শান্নবগী মহুত্তা অপুনবা পোলিটিকেলগী মীফম কৌরগা মতুংদা মখোয়গী অয়াবগী মতুং ইন্না তৌজৌ। মদুদি নত্তনা মীয়ামদা চমম্ন হনবা অমগা অমগা নুংশিনহন্দনবা মৈরা পায়বীশিংগী মরক্তা খাইবুং খাইবুং তাহল্লকপনচিংবা অসিগুম্বা থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌদবনা ফৈ।

চীফ মিনিষ্টরনা রিজাইন তৌগে হায়রবসু হৌজিক লৈরিবা ৱাথোকশিং অসি অথুবদা লোইশিল্লম্মু। মণিপুরদা এদমিনিষ্ট্রেসন অনী থোকপা য়ারোই। মসি লোইশিল্লম্মু। কাঙলোন কাইনা চোংথোরক্লিবা খুনশিং তকথোকপীরম্মু হায়খি।

অমরোমদা, থৌবাল শাবল তোংবা অপুনবা মৈরা পায়বী অমদি ক্লব, ওর্গনাইজেসন্নসু শীন্দুনা ঙরাং নুমিদাং থৌবাল শাবল তোংবগী থৌবাল এম আই লম্বীদা হ্যুমেন চেন শেমদুনা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই, মণিপুরদগী অসাম রাইফলস লৌথোকউ, কুকি মিলিটেন্টশিংগী সূ হন্দোকউ, মণিপুরদা তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন লৈবা য়ারোই, ঐখোয় শান্তি পাম্মী, মণিপুরদা নার্কো টেররিষ্ট এটেক মরু ফঙনা মুখৎলু হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা মীয়ামগী খোঙচৎ অমসু চৎখি।

মৈরা পায়বী হায়খিবদা মণিপুরদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চত্থরক্লিবা ইরাং অসি লৈঙাক অসিনা মতম চানা লাকশিলহৌদবনা মরম ওইদুনা থা অনীরোম ফারক্লবা অসিদা মীচম মীয়ামদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। হৌজিক লৌশিং উবা য়াদনা লৈরি। মহৈরোয়শিংসু লাইরিক তম্বা ফঙদনা লৈরি হায়রি।

# চীংগী লমশিংদা নৌনা বঙ্কর কয়া শাজিল্লকপদগী মীয়াম্না মীপায়বা পোক্লরে

**ইম্ফাল, জুলাই ২ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ৩ দা চিন কুকি মিলিটেন্টশিংনা মণিপুরগী চীংখোং চীংয়াগা তাইনবা খুলশিংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা অমদি য়ুম মৈ থাদুনা মীচম মীয়ামদা টেররিষ্টকী থবক চত্থরকপা অসি হোম মিনিষ্টর অমিট সাহনা অথুবা মতমদা থবক ওইনা লোইশিল্লগনি হায়খ্রবসু মখা তানা অমুক মণিপুরগী তম্পাক লমগী খুল ঙাক্লিবা ভিলেজ ভোলুন্টিরি ফোর্স (ভি ভি এফ)শিংগা কুকি মিলিটেন্টশিংগা নোংমৈ কাপ্নদুনা মীশি মীনাগী থবক অমুক লেপ্তুনা চত্থরক্লি।

মতম খরা ইরাং অসি লেপ্লুরবা মতুংদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা অমুক চীংগী কুকি তাবা মফমশিংদা নৌনা বঙ্কর অমুক শাজিন্দুনা লৈশিল্লকপা অসিনা সেন্ট্রেল ফোর্স অমদি ষ্টেট ফোর্সনা তম্পাক্কী এরিয়াদা ওপরেসন চত্থদুনা খূৎলায় কয়া ফাগৎলবসু চীংগী এরিয়াদদি মমিংতগী ওইনা তৌরব্রা হায়না মীয়ামদা চিংনবা পোক্লে।

মরক অসিদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কোংবা মরুগী চীংদা হৌজিক তোঙান তোঙানবা বঙ্কর তরামুক শাদুনা লৈশিনখিবদগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামদা তংদু লৈতাদবা মীপায়বা কয়া পোকহল্লে। মনাক নকপা খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকপদা হৌখিবা নুমিৎ তরানিগী মমাঙদগী বঙ্কর নৌনা শাজিল্লকপা অসিনা সেন্ট্রেল সেক্যুরিটি ফোর্স অমদি ষ্টেট ফোর্সসু খঙনা খঙনা খঙশিন্নদনা লৈরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈ। মখোয়না তকথোকপা ঙমদ্রগদি অকোয়বদা লৈবা খুঞ্জাশিংনা তকথোক্লবা হোৎনরগনি হায়রি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোইরাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা নরানসৈনাগী মনিং লৈঙাংগী লম্ধাং এরিয়াদা হান্না শঞ্জাবুং ওইনা লৈরিবা মফম অসিদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা হান্না চীংথক্তা শারম্বা বঙ্কর অদু লৌথোল্লগা সিফাইগী নোংমৈ কাপ্পা তম্ফম লৈঙাংগী লম্ধাং এরিয়াদা শাজিল্লকপা অসিনা অকোয়বদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংদা মীপায়বা পোক্লরে হায়রি।

মফম অদুগী খুঞ্জা অমনা ফোঙদোরকপদা হৌজিক মফম অদুদা বঙ্কর অনী শাজিল্লকপা নুমিৎ ৪/৫ নি রোম শুরে। হায়রিবা চীংথক্তা লৈবা কুকিশিং অসিনা নরানসৈনাগী খুঞ্জাশিংনা ষণ থাদোকখিবা মখোয়না ফারগা হাৎখিবা ঙসি ফাওবদা ১২ রোম শুরে। মসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা ৱাকৎলবসু ঙসি ফাওবদা মদুগী কান্নবা অমত্তা ফংদনা লৈরি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা হরাওথেল, কৌত্রুক্না তাইনবা সেঞ্জম চিরাংগী মনিংদসু হান্না বঙ্কর তরা লৈরম্বা অদুগী মথক্তা নৌনা অমুক বঙ্কর তরামুক শাজিল্লকপদগী মনাক নকপা খুঞ্জাশিংদা মীপায়বা পোক্লরে। মনাক নকপদা লৈবা খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকপদা মখোয়না দ্রোন পাইহল্লগা য়েংবদা নৌনা বঙ্কর শারিবা অদু ফুট মঙারোম তৌথরগা নীংথিনা বেলাটিমাটি বোড়াদা লৈবাক হাপচিল্লগা বঙ্কর শাবসু থেংনরকখি হায়রি।

অমরোমদা, সেরৌ খুলগী মনিংদা হান্না বঙ্কর শারম্বা অদু সেন্টর অমদি ষ্টেট ফোর্সশিংনা তকথোকখ্রবা মতুংদা নৌনা অমুক সেরৌ খুনগী মণিপুর তুরেলগী মনিংদা বঙ্কর অনী-অহুমরোম শাজিল্লক্লে হায়রি। বঙ্করশিং অসি ষ্টেট অমদি সেন্টর ফোর্সনা মতম চানা তকথোক্ত্রগদি মখোয়না অমুক হন্না লানবন চাওনা শারক্তুনা মীয়ামদা অমুক এটেক চত্থরক্কদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে। অথুবদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীনবা খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরক্লি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৯

১) **"ভগবান শ্রীরাম"** (২০০৮) হায়বা কাব্য অসি কনানা ইবনো?

২) **"মমি শেংখিদ্রবা নুংশিবা"** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **"অশিববু কোন্দুনা সমাধি মখাদা/লৈররে ইতোমতা তূমদুনা; করিগী অমুক হন্না লাক্লিবা/থম্মোয়গী মৈচাকপু চাকহনগে হায়না/"** ঈশৈ মতেক অসি অসামগী শক্লাইরবা শৈশকপা অমগী ঈশৈশিংদগী খোমজিন্দুনা মণিপুরীদা হন্দোরকপদগী লৌথোরকপা ময়েকনি। মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা অসি কনানো?

৪) **"কংফালগী অরোইবা লমদমদৈ"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) **"মায়থোঙদা লোৎলিবা মমিশিং"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

ACI SCHOOL
(A Co_ Educational Higher Sec. School affiliated to COHSEM)
Regd. No. 1/96/96/-HSC(Vol. VIII)
Kwakeithel Akham Leikai, near Kwakeithel Bazar
RUN BY ADVANCED COACHING INSTITUTE, IMPHAL
SCIENCE & ARTS
ADMISSION OPEN FOR XI
2 yrs NEET & JEE Integrated coaching Course
Transport & separate Boys and Girls Hostel
Special Offers for present situation
1. No admission fee for Former student' s family OF ADVANCED COACHING INSTITUTE
2. No admission fee for Single parents & orphan
3. No admission fee for Student passed out from Government School
SUBJECT OFFERED FOR science : General English, Alt.English, Manipuri, Physics, chemistry, Biology, Mathematics, Home science, Computer science and Physical Education
SUBJECTS FOR ARTS : General English, Alt. English, Manipuri, Elective Manipuri, Sociology, Education, Pol.Science, Geography, History, Economics, Mathematics
REQUIRED DOCUMENTS :ORIGINAL ADMITCARD + 2 RECENT PASSPORT PHOTO
ADMISSION FORM /PROSPECTUS AND REGISTRATION FORM CAN BE COLLECTED FROM SCHOOL OFFICE DURING OFFICE HOURE( 10AM -4PM)
** POSITION HOLDERS : FREE (ADMISSION + TUITION FEE +UNIFORM + BOOK + HOSTEL ADMISSION + HOSTEL FEE)+ SCHOLARSHIP + Coaching Class
** 90 % and above— Free admission + Free school Fee + Free coaching Fee For class XI +Book grant(one time) + Scholarship
** 85 % and above—Free admission +Free School Fee + Free coaching class of xi +Book grant For XI + scholarship 1k/month
** 80% and above— Free Admission + Free School FEE + Bag ** 75% and above : Free admission + FREE coaching class +book grant
• 70% and above— FREE ADMISSION + FREE COACHING FEE * 65% and above — FREE ADMISSION FEE +Free 1/2 COACHING FREE
• **60% and above—Admission Free ** 55% and above—1/2 admission free **50% and above—1/4 admission FREE
** 45% and above —Direct Admission+ Free note book *** Below 45 % —Direct Admission.
For details visit office of NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI 9862992105
HL-B/8193/28/6 to 27/7

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।